# অহানবা ওইনা দোহাদা টালিবান অমসুং য়ু এসকী দিপ্লোমেটশিং ৱারী শান্নবা হৌখ্রে



কাবুল, ওক্টোবর ১০(এজেন্সী) : টালিবাননা অফঘানিস্টান খুদুম চনখ্রবা মতুং অহানবা ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্স অমসুং টালিবান দেলিগেটশিংনা দোহাদা উন্নদুনা ৱারী শাবা হৌখিবগা লোয়ননা হীরম কয়াগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়না অফঘানগী মকোক থোংবা দিপ্লোমেট অমনা ফোঙদোরক্লি।

অফঘানিস্টানগী এক্টিং ফোরেন মিনিষ্টর মুলাহ অমির খান মুটাকিনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, ঙরাংদগী হৌরগা নাকল অনীগী লুচিংবশিংনা উন্নখিবা অদুদা মরুওইনা হ্যুমেনিটেরিয়ন এইদ অমসুং কুমজা ২০২০ দা টালিবান অমসুং য়ু এস অনীগী মরক্তা সাইন তৌনখিবা এগ্রিমেন্ট অদুগী মতাংদা খন্নখি।

অফঘানগী মায়কৈদগী য়ু এসনা অফঘানিস্টানগী সেন্ত্রেল বেঙ্ককী মথক্তা থম্লিবা অথিংবশিং অদু লৌথোক্লবা তকশিনখি। য়ু এসকী মায়কৈদগীসু হিরম অসিগী মতাংদা অথুবা মতমদা পোজিটিব ওইবা পাউখুম অমা পীরক্লগনি হায়বগী থাজবা পীখিবগা লোয়ননা অহানবগী ওইনা ৱাশিংটননা কাবুলদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন মতেং পীরগনি। য়ু এস দেলিগেসন টিমগা ৱারী শাবগী থবক চত্থরিবা অসি লোয়রগা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মীহুৎশিংগা টালিবান দেলিগেসন টিম অসিগা মখা তানা উন্নদুনা অফঘানিস্টানগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা মখা তানা খন্নগনি হায়রি।

ফোরেন মিনিষ্টর অমিরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মালেমগী লৈবাকশিংনা অফঘানিস্টানদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা লৈবাক অসিগী মরায় চায়থখ্রবা ইকনমিগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংহন্নিংই। লৈবাক অসিগী শোত্থনা লৈরিবা ফিভম অমদি মীয়ামগী অৱাবা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিশিংনা হেন্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। অফঘান নেসনেল বেঙ্ককী মথক্তা য়ু এসনা থম্লম্বা অথিংবশিং অদু লৌথোক্লবা খঙহনখ্রে। বেঙ্ক অসি মপুঙ ফানা মথৌ তৌহন্দুনা ইমপ্লোয়িশিংগী পীফম থোকপা থাগী সেলেরি পীথোকপদা নত্তনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা থবক পীবা মথৌ তারি। মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইহনবা হায়বসি লৈবাক অসিদা নৌনা লাকখ্রবা টালিবান লৈঙাক্কী পান্দম্নি হায়রি।

# নোর্থ কোরিয়ানা মায় পাক্লা মিসাইল চাংয়েং পাঙথোকখ্রে

সিওল, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সী) : অথিংবা থমখ্রবা বেলিষ্টিক মিসাইল চাংয়েং পাঙথোকপগীদমক নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা য়ানীংদবা কয়া ফোঙদোক্নরক্লিঙৈ মরক অসিদা অমুক হন্না অথিংবশিং থুগায়দুনা নোর্থ কোরিয়ানা সমুদ্রগী ঈমায়দা য়াম্না শান্না পাইবা ঙম্বা বেলিষ্টিক মিসাইল অনী কাপ্পুনা চাংয়েং পাঙথোকখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, সাওথ কোরিয়ানা নোর্থকী থৌওং অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী মরক্তা ৱারী শানবা হোৎনরক্লিবা খোঙথাং অসিদা নোর্থ কোরিয়াগী কা-হেনবা থৌওংশিং অসিনা অকায়বা পীরবা য়াই। হৌখিবা চয়োল অহুল্লোম অসিদা নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র শক্তি পুবা ঙম্বা হাইপর সোনিক মিসাইলশিং য়াওনা অশানবা অমদি অতেনবা মখলগী বেলিষ্টিক মিসাইলশিং থংন-থংননা চাংয়েং পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। য়ু এসনসু নোর্থকী থৌওং অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা প্যোংয়াংদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবদা নোর্থকী থৌওং অসিনা অকায়বা পীরকপা য়াই হায়রি।

# খুৎলায় পায়বশিংনা নাইজেরিয়া মার্কেটতা এটেক চত্থদুনা মীওই ২০ হাৎখ্রে

অবুজা, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সী) : নাইজেরিয়াগী সোকোটো ষ্টেটতা লৈবা মার্কেট অমদা শকখঙদবা খুৎলায় পায়বা মীওইশিংনা এটেক চত্থদুনা য়ামদ্রবদা মীওই ২০ হাৎখ্রে অমদি লম্বীদা খামদুনা লৈবা কার কয়া মৈ থাদুনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে হায়না ষ্টেট ওফিসল অমদি লোকেল মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্টনা ফোঙদোরক্লি।



ওফিসলশিংনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাংৱাইরম লৈবাক অসিগী অৱাং নোংচুপ থংবা সোকোটো ষ্টেটতা থোকখিবনি। মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিং হাৎপগী থৌদোক অসি কনানা নৎত্রগা করম্বা গ্রুপনা চত্থখিবনো হায়বা হৌজি কমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি অমদি লালহৌলূপ অমত্তনা ক্লেইম তৌরকপসু লেত্রি।

নাইজেরিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শকখঙদবা খুৎলায় পায়বা মীওইশিংনা মরাল লৈজদবা মীওইশিং হাৎপা অমদি ওৎ-নৈবগী থবক য়াম্না তোয়না চত্থদুনা লাক্লি। মসিদা নত্তনা খুঙ্গংশিংদা চঙশিল্লক্তুনা খুঞ্জাশিং মরুওইনা চহী নৌরিবা অঙাংশিং অমদি মহৈরোয়শিং ফাদুনা পুখ্রগা রেন্সম তানবগী থবকসু পাক শন্না চত্থরি। মসিনা মরম ওইরগা নাইজেরিয়াগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগী পুন্সি তম্বা ঙমদবা ফিভম অমদা লাক্লি।

সোকোটো পুলিস এফেয়র্স মিনিষ্টরগী স্পেসল এদভাইজর আইদ্রিস গোবিরনা ফোঙদোকখিবদা, খুৎলায় পায়বা মীওইশিং অদুনা মী য়াম্না তিনবা মফম অদুদা চঙশিল্লক্লগা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ২০ শিখিবনি। মদুগী মতুং বেন্দিটশিং অদুনা মার্কেট অদুগী মনাক্তা খামদুনা লৈরম্বা গাড়ী ৯ সু মৈ থাদোক্লমখি হায়রি। অমরোমদা সোকোটোগী লোকেল মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট হুসেন বোজানা থৌদোক অদু সিক্যুরিটিগী থবক থৌওংশিংদা অশোয়বা কয়া লৈবদগী খুৎলায় পায়বশিং অদুনা মফম অদুদা এটেক চত্থবা ঙমখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চংফম থোকই হায়রি।

# জর্মন চাঞ্চেল্লর এঞ্জেলানা ইজরেলগী পি এমগা উন্নখ্রে

জেরুসালেম, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সী) : জর্মনিদা চহী ১৬ রোম পৱার পায়দুনা লাকখ্রবা হৌজিক্লা থবক্তগী পোত্থারগদবা জর্মন চাঞ্চেলর এঞ্জেলা মার্কেলনা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর নফটালি বেনেটকা উন্নদুনা লৈবাক অনীগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর বেনেটনা ফোঙদোকখিবদা, নুপী লুচিংবী অসিনা মতম শাংনা ইজরেলগী মতেং পাংদুনা লাক্লি। মহাক ইজরেলগী খ্বাইদগী হেন্না ফবা মরুপ অমনি। ইরাননা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিগী মায়োক্তা ন্যুকিলয়র প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎলক্লিবা অসিগী মতাংদসু মার্কেলগা কুপ্পা খন্নখি।

মার্কেলনা জর্মনিগী চাঞ্চেলর ওইনা থৌ পুরকখ্রবা মতুং ইজরেলদা হন্দক্কী অসি থারগা পুন্না ৮ লক লাকখ্রে। মহাক্লা পোলিটিক্সতগী পোত্থানবা ফিরেপ লৌখিবা অসি ইজরেলগী ওইনদি য়াম্না নুংঙাইতবা অমনি। মশাগী চহী ৬৭ রোম শুরবী লুচিংবী অসিগী মীৎয়েং মখাদা লৈবাক অনীনা শিংথাবা য়াবা থবক কয়া পায়খৎপা ঙমখ্রে। লুচিংবী অসিদা ইজরেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিনা ওনররি দোক্টরেট অমা অথুবদা পীরগনি হায়রি।

# মহৌশাগী শক্তম কন্নবা হোৎনগদবনি : য়ুনাইটেদ নেসন্স

বৈজিং, ওক্টোবর ১০(এজেন্সী) : গ্লোবেল বাইওদাইভরসিটিগী মতাংদা হৌজিক হৌজিক চাইনাদা পাঙথোক্লিবা মীফম অসিগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোকখিবদা, মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্লা মহৌশাগী শক্তম কন্নবা হোৎনবদা অহেনবা মতম পীদুনা থবক তৌবগী মতম ওইরে। অথুবা মতমদা হিরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা মালেমগী লৈবাকশিংনা পুনশিন্দুনা থবক তৌহৌদ্রবদি মীওইবনা লৈবা ঙমদবা মালেম অমা ওইরকপা য়াই হায়নসু ৱার্নিং তৌখি।

কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা অনীরক হন্না য়েথোক্লুরবা সী ও পি-১৫গী মীফম অসি হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী হৌরগা চাইনাগী কোনুং বৈজিংদা পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। মীফম অসিদা মরুওইনা মমাং চহীদা ক্লাইমেট চেঞ্জকা মরী লৈননা য়ানখিবশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্লবগী মতাংদা মরুওইনা খন্নখি।

য়ু এন কনভেন্সন ওন বাইওলোজিকেল দাইভরসিটিগী দিপ্যুটি এগজিক্যুটিব সেক্রেটরি দেবিদ কুপরনা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা চহী খরগী মমাংদগী মালেমগী লৈবাকশিংনা ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদা মীফম কয়ারক হন্না পাঙথোক্তুনা খন্নবা লেখ্রে। মীফমশিং অদুদা মালেমগী লৈবাকশিংনা অমত্তা ওইনা কার্বোন ইম্মিসনগী মতাং য়াওনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা য়ানবা পুরকখি। অদুবু য়ান্নখিবশিং অদু ঙসিফাওবদা থবক্তা ওন্থোকপা লৈত্রি।

মসিনা মরম ওইরগা পাঙথোকখ্রিবা মীফমশিং অদুগী কান্নবা ফংদ্রি। মথং চহীগী মে থাদসু ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদা মালেমগী লৈবাকশিংগী ওইবা মীফম পাঙথোক্লবা খন্নরি। অদুবু হান্নগুম তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা থবকশিং লেপথোক্তুনা য়ানবা পুরকখ্রবসু থবক্তা ওন্থোক্তনা লৈরবদি মখা তানা ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদা মীফম পাঙথোক্লুবদা কা হেন্না কান্নবা ফংগনি হায়বা থাজদে হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদা য়ানখিবশিং অদুগী ওন্ন-তৈনবদা লৈবাক কয়ানা উমং পাক শন্না কোকথোকপগী থবক হৌজিকসু লেপ্পা লৈতনা চত্থরি। উমং কোকথোকপগী মহুত্তা উমং য়োকখৎপা হায়বা ৱাফম লৈবাক লৈবাকশিংনা খঙশিন্নদনা থবক তৌরি। মসি য়াম্না লায়বক থিবা থৌওং অমনি।

অমরোমদা অঙৗং অশাগী খল কায়থরকপনা মরম ওইরগা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা অচৌবা উমং কয়া শাবা হেনগৎলকপদগী মৈ চাকপগী থৌওংশিংসু পাক্তক্লনা থোরক্লি। মসি তরায়না লৌফম থোক্তে। মরম অদুনা মহৌশাগী শক্তম কন্নবা হোৎনবদা অহেনবা মীৎয়েং চংগদবনি হায়রি।

# টাইৱাননা কৈদৌনুংদা চাইনাদা নোঞ্জবগী থবক তৌরোই : সাই

টাইপৈ, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সী) : চাইনাগী প্রসিদেন্ট ঝি জিনপিংনা হৌখিবা থাংজা নুমিত্তা টাইৱানবু বৈজিংগী মখাদা মনিং তম্না লৈহন্নবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইং ৱেননা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা টাইপৈনা কৈদৌনুংদা চাইনাদা নোঞ্জবগী থবক তৌরোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সেন্ত্রেল টাইপৈদা ঙসি পাঙথোকখিবা টাইৱানগী নেসনেল দে থৌরমগা মরী লৈননা প্রসিদেন্ট সাইনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, টাইৱাননা মখোয়গী দিফেন্স সিষ্টেম মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনবদা অহেনবা মীৎয়েং থম্লি। হৌজিমক্কী ওইনা চাইনানা চত্থরক্লিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অসিগী পাউখুম পীবা তৌখিরোই। চাইনাগী পোলিসি হান্না মপুঙ ফানা খঙদোক্লবা হোৎনখিগনি।

টাইৱাননা চাইনাগী মায়কৈদা পাউখুম অমত্তা পীদবনা মরম ওইরগা আইলেন্দ অসিবু মখোয়না ইরায় লায়না লৌশিনবা ঙমগনি হায়না বৈজিংনা খল্লিবা ৱাখল অসি ৱাখল্লোন মপুঙ ফাদবগী থৌওংনি। করিগুম্বা চাইনানা মখা তানা অহেনবা থবকশিং চত্থরক্লবদি মদুগী চপ চাবা পাউখুম পীনবা শেম শাদুনা লৈ। অদুমকপু কা হেন্না উংখৎনরকপদগী থোক্লক্কদবা খুদোংচাদবশিং অদুগী খল্লগা তুমিন্না য়েংদুনা লৈবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা কুমজা ১৯৪৯ দা থোকখিবা চাইনিজ সিভিল ৱারগী মতুংদা মায় পাকখ্রবশিং অদুনা পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনা শেমদুনা বৈজিংদা রুল তৌখি অদুগা মায়থিহৌরবা মীওইশিং অদুনা টাইৱানদা চেন্দুনা অনৌবা গভর্নমন্টে অমা শেমদুনা লৈখিবনি।

# পর্ফোমেন্স পীরিঙৈদগা এক্সিদেন্ট থোকপদগী মীওই অমা শিরে

মোস্কো, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সী) : মোস্কোগী মমিং লৈরবা বোলসোই ঠিয়েটরগী ষ্টেজদা ঙরাং ওপেরাগী পর্ফোমেন্স পীরিঙৈদা এক্সিদেন্ট থোকপদগী মীওই অমা শিখ্রে হায়না ঠিয়েটর অসিগী ষ্টাফ অমনা ফোঙদোরক্লি।

রসয়িান কম্পোজর নিকোলাই রিমসকিনা দিরেক্সন পীবা ওপেরা অমা পাঙথোকপা হৌখ্রবা মতুং সেট চেঞ্জ তৌবগী থবক্তা মীওই অদু লৈখিদবনি। মীওই অদু খুদক্তা ষ্টেজদা শিখি। মহাক শিখিবা অদুনা মরম ওইরগা ওপেরাগী থৌরম অদুসু খুদক্তা লেপখি। ওপেরাগী থৌরম অদুদা পর্ফোম তৌখিবা মশাগী চহী ৩৭ রোম শুরবা মীওই অমা শিখিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মোস্কো ইনভেষ্টিগেটরশিংনা থিজিনবগী থবক চত্থবা হৌখ্রে।

ওপেরা অদুগা মরী লৈননা সেট অদুগী প্রোপরটিশিং চেঞ্জ তৌনবা হোৎনরিঙৈদগী মথক থংবা শরুক্তগী অরুম্বা য়োৎ মশাং অমা মহাক্কী মথক্তা তাশিল্লকপদগী খুদক্তা হোস্পিটালদা পুখৎপা নংদনা শিখিবনি।

সেট প্রোপর্টি চেঞ্জ তৌখিবা মীওই অদুনা শোয়বদগী লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না ঠিয়েটরগী ষ্টাফ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# থাও লৈতবদগী লেবানিজ পৱার প্লান্ট ফোর্স শটদাওন তৌখ্রে

বৈরুট, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সী) : লেবাননদা লৈবা মেন পৱার প্লান্ট অনীদা সপ্লায় তৌনবা থাও লৈশিল্লক্তবদগী তঙায়ফদনা পৱার প্লান্ট অনী অদু থিংজিনখ্রে হায়না মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা প্লান্ট অদুদা মথৌ তাবা দীজল থাওশিং লৈরত্তবদগী থিংজিনখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা ইলেক্ট্রিক্কী খুদোংচাবা লৈহনখিদ্রে। অথুবা মতমদা মথৌ তাবা দীজল থাওশিং পুরক্তুনা পৱার প্লান্ট অসি অমুক হন্না মথৌ তৌহন্নবা হোৎনরি।

ইলেক্ট্রিক্কী খুদোংচাবা ফংখিদবা অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক অদুগী মনুং চনবা অকার প্রোভিন্সতা লৈরিবা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে। খোয়শাওনরবা মীয়াম অদুনা থৌদোক অদু লৈঙাক্লা চেকশিনবা ৱাৎপদগী থোকখিবনি হায়না মরাল শীখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা অমুক হন্না ইলেক্ট্রিক্কী খুদোংচাবা লৈহনগদবনি হায়না তকশিনখি।

হৌখিবা চয়োল অনী অসিদা অকার প্রোভিন্সতা ইলেক্ট্রিক্কী খুদোংচাবা ফংদবগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্তুনা লাক্লি। অসিগুম্বা মখলগী খুদোংচাদবশিং অসি মখা তানা থোকহন্দনবা আপীল তৌরক্লি।

# মীওই কয়ানা হেল্থ পাসকী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখ্রে



রোম, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সী) : রোমদা ঙসি মশিং য়াম্লবা মীয়ামশিং থোরক্তুনা কোভিদ-১৯ হেল্থ পাস সিষ্টমগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বগী মায়োক্তা থবক তৌবা লৈঙাক অসি মীয়ামগী য়েক্লবনি হায়বা খোল্লাউ কয়াসু লাউখ্রে।

হৌখিবা ওগষ্ট থাদগী হৌরগা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়াম্না কোভিদ-১৯ হেল্থ পাস পায়গদবনি হায়না লৈঙাক্লা ফোঙদোকখিবনি। লৈঙাক্লা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদু মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হেল্থ পাস লৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মীয়াম্না মায়োক্ল গদৌরিবা অদুগী খল্লগা অতোপ্পা পাম্বৈ অমনা মহুৎ শিন্নবা হায়জখি। অদুবু লৈঙাক্লা মীয়ামগী ৱাকৎ তাবগী মহুত্তা কোভিদ-১৯ হেল্থ পাস সিষ্টেম হৌদোকখিবনি।

থা অদুমক্তদা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না লৈঙাক্কী থৌওং অদুবু পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা পার্লিয়ামেন্ট তম্না খোঙজং চঙশিন্নবা হোৎনখি। মীয়ামগী খোঙজং অদুবু কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা পুলিস অমদি খোঙজংল্লোয়শিংগী মরক্তা চাওনা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকখি। পুলিসনা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়াম অদুবু তানখায়নবা হোৎনবদাটিয়র গ্যাস সেল কয়া কাপখি। অমদি ৱাটর কেননশিং শীজিন্নদুনা মীয়াম অদুবু তানখায়খি।

অমরোমদা মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বগী মায়োক্তা রোম লৈঙাক্লা অমুক হন্না ওফিস অমদি অতোপ্পা থবক শুফমশিংদা হেল্থ পাস সিষ্টেম অসি চৎনরগনি হায়না হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা লাউথোরকখিবনি। লৈঙাক্লা অমুক হন্না মীয়ামগী মায়োক্তা ফিরেপ লৌরকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি রোমগী মরুওইবা লম্বীশিংদা মীওই লীশিং কয়া থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিনখিবনি। মীয়ামগী খোঙজং অদুবু কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা পুলিসকা মীয়ামগা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকখি। মদুনা মরম ওইরগা খোঙজংলোয় ৬০ হেন্না অশোক অপন নংখি। পুলিসকী মায়কৈদসু মীওই খরা অশোক অপন নংখি হায়না পুলিসকী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী ৱাঙাংলোয় অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, খোঙজং চঙশিল্লিবা মীয়ামশিং অদুনা লৈঙাক্লা থমখিবা কোভিদ-১৯ গী চৎন-কাংলোনশিং থুগায়দুনা মী কা হেন্না পুনশিন্দুনা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখিবনি। পুলিসকী মায়কৈদগী মীয়াম পুনশিল্লিবা অদু তৌদনবা খঙহনখি। অদুবু মদুগী মায়োক্তা মীয়াম্না মখা তানা খোজং চঙল্লিকপদগী তঙায়ফদনা টিয়র গ্যাস সেলশিং কাপখি। খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওইশিংনসু পুলিস তম্না নুঙ অমদি চেকতুম্নচিংবা লংশিল্লকখি হায়রি।

# রসিয়াদা প্লেন কায়বদগী মীওই ১৬ শিরে : মিনিষ্ট্রি

মোস্কো, ওক্টোবর ১০(এজেন্সী) : সেন্ত্রেল রসিয়াদা ঙসি পেরাচুটশিং পুদুনা পায়খিবা এয়রক্রাফ্ট অমা কায়খিবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ১৬ শিখ্রে হায়না ইমর্জেন্সি মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।



লাইবক থিবা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, এল-৪১০ প্লেন অদু ঙসি অয়ুক পুঙ ৯.২৩ তারকপা মতমদা কায়খিবনি। রিপব্লিক ওফ টার্টর্সতানদা কায়খিবা প্লেন অদু পুন্না মীওই ২২ তোংলগা পায়খিবনি। প্লেন কায়বগী পাউ হেক ফংবগা রেস্ক্যু ৱার্করশিং মফম অদুদা চঙশিন্দুনা মী কনবগী থবক চত্থখি। মদুদা মীওই ৬ তি কনবা ঙমখ্রে। অদুবু ১৬ তি মখোয়না মফমদু য়ৌখিবা মতমদা হান্না শিদুনা লৈরমখি।

প্লেন কায়বগী থৌদোক্তা হিংহৌরবা মখোয় ৬ হৌজিক হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চত্থরি। মখোয় ৬ কী ফিভম কা হেন্না খুদোংথিনিঙাই ওইদ্রে হায়না হোস্পিটাল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখ্রে। ঙসি কায়খ্রবা প্লেন অসি মীয়ামদা তেংবাং পীবগী থবক তৌরিবা ভলন্টরি সোসাইটি অমগীনি। প্লেন অসিনা রসিয়াগী আর্মী, এভিয়েসন অমসুং নেভিশিংগী সপ্লায় পীদুনা লাকখিবনি। মতৌ করম্না প্লেন অসি কায়খিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি। প্লেন অসি টেক্নিকেল প্রোব্লেম অমদি ৱেদরনা মরম ওইরগা কায়খিবা ওইরম্বা য়াই হায়না মরী লৈনবশিংনা ফোঙদোরক্লি। চপ চাবা মরম খঙনবগীদমক থিজিনবগী থবক চত্থবা হৌখিবগা লোয়ননা ব্লেক বোক্স রেকোর্দতগী থৌদোক অসিগী মতাংদা খঙবা ঙম্লগনি হায়রি।

রসিয়াদা লৈবাক অচৌ অচৌবা ওর্গনাইজেসনশিংনা প্রাইভেট প্লেন অমদি জেটশিং মীগী মতেং পাংবদা অমদি অতোপ অতোপ্পা থবক থৌরমশিংদা শীজিন্নদুনা লাক্লি। রসিয়া গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগীসু প্রাইভেট ওর্গনাইজেসনশিংনা প্লেন লম্নাই ওইনা শীজিন্নবগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎপা উদ্রি। লম্নাই ওইনা শীজিন্নরিবা প্লেনশিং অদুগী সেফটি মিজরশিংগী মতাংদসু ৱাহং হংবা লৈত্রি। হিরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা থবক তৌহন্নিংবগী অপাম্বশিং ফোঙদোক্লরক্লি।

# পাকিস্টানগী ন্যুক্লিয়র সাইন্টিষ্ট এ কে খান কোভিদ-১৯না শিহনখ্রে



ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ১০ (এজেন্সী) : পাকিস্টানগী ফাদর ওফ ন্যুক্লিয়র বোম হায়রগা খঙনরিবা অবদুল কাদির খান কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরকপদগী হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চত্থরবা মতুং লায়কন্নবা ঙমদনা শিখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওথোরিটিশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মশাগী চহী ৮৫ শুরবা সাইন্টিষ্ট অসি হৌখিবা ওগষ্ট থাদা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরকপদগী হোস্পিটালদা লায়েং চত্থদুনা লাকখিবনি। হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চত্থরবা মতুংদা ময়ুমদা অমুক হল্লক্তুনা মখা তানা লায়েং চত্থখি। অদুবু মহাক্কী হকচাংগী ফিভম কা হেন্না শোকচিল্লকপদগী হোস্পিটালদা অমুক পুখত্তুনা লায়েং চত্থবিনি হায়রি।

পনবা য়াবদি পাকিস্টান লৈবাকপু লৈখিদ্রবা সাইন্টিষ্ট অসিনা মালেমগী ইহান হানবা ইস্লামকি ন্যুক্লিয়র পৱার ওইহনখিবনি। মহাক্লা লৈখিদবদা তোঙান তোঙানবা লুচিংবা কয়ানা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি। পাকিস্টানগী প্রসিদেন্ট অরিফ অলভিনা ফোঙদোকখিবদা ডা. অবদুল কাদির খান লৈখিদবা অসি পাকিস্টানগী ওইনদি খ্বাইদগী মাঙজবা অমনি। মহাক্লা লৈবাক অসিগীদমক পায়খৎলম্বা থৌরমশিং মীয়াম্না কাউবা লৈররোই।


ইংখোল য়োঞ্জরি

Imphal to Pangei Main Road তগী মিটর ১০০ রোম চঙলগা হাওতল পাঙ্গৈদা লৈবা Point 7 (পোইন্ট ৭) চাওবা ইঙ্খোল অমা য়োঞ্জরি। হায়রিবা ইঙ্খোল অসি লৈকাইগী লম্বীগা হেক তাইননা লৈবা মফমনি। কনাগুম্বনা পান্বীরবদি মখাগী ফোন নম্বরশিং অসিদা অকুপ্পা পাউ লৌবীবা য়াগনি।

Contact No. : # 9436085913 # 9612834658

HL-P/9540/10,11,12,13



ADMISSION OPEN

FOR THE FOLLOWING COURSES

1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com

PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL

HL-B/7197/2/10-31/10



NEFSA EDUCATION CONSULTANCY(NEC)
Since 2000, 20 Years of Trusted Service
Realising Your Dreams

BDS
AYUSH
ENGINEERING
NURSING
PHARMACY
MANAGEMENT
AGRICULTURE
LAW, PARA MEDICAL & GENERAL COURSES ETC.

MBBS
INDIA & ABROAD
INDIA
BANGLADESH,
KYRGYZSTAN
KAZAKHSTAN ETC.

FMGE/NEXT EXAM will be applicable for both INDIA & ABROAD MBBS students from 2023

FOR DETAILS CONTACT REGD. OFFICE:
ABOVE HDFC ATM, HATTA MINUTHONG I/E MANIPUR
PH:+91-7005102097 / +91-9856154334

CORPORATE OFFICE:
THOUBAL OFFICE: Near Axis Bank +91-8414043799
LILONG OFFICE: Opp. Al-Hayat Hotel +91-8800560814
BABUPARA OFFICE: BOSEM Leirak +91-7005139464

www.nefsa.in

HL-P/0014/13 Sept. to 11 Oct.